# মেরি কোমনা স্পেসল ওলিম্পিক্স ভারত শৌগৎখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবী অমা ওইরিবী কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা টাইটল ৬লক লৌবা ঙমখ্রবী বোক্সর এম সী মেরি কোমনা ঙসি লৈঙাক অসিগী ওইনা মফম শীনবা থুংনা পাঙথোকপা নেসনল হেল্থ ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা হৌদোকখিবা স্পেসল ওলিম্পিক্স ভারতপু শৌগৎখ্রে।

ঙসি ন্যু দেল্লীদা লৈবা এফ আই সী সী আই ফেদরেসন হাউসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা নেসনল হেল্থ ফেষ্টিভেল অদুগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল দে ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজকী থৌরম অদুদা চাওনা মতেং পাংগনি হায়খ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবী মেরি কোমনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা স্পেসল ওলিম্পিক্স ৱর্ল্ড গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মেদল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা এথলিটশিং অদুগা হকথেংননা ৱারী শানদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং খুদিংমক পাংগনি হায়না থাজবা থমখি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা ইন্টরনেসনল দে ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ পাঙথোকপগী থৌরম অদুদা মহাকপু শরুক য়ানবগীদমক কৌবীরকপা অসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা হেল্থ ইনিসিএটিভকী খুত্থাংদা অজাদি কা অমৃত মহোটসভ পাঙথোকপগা মরী লৈননা চহী ৭৫ নিং-খা তম্লকপগী থৌরম পাঙথোকপা অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা সিটি ৭৫দা এথলিট লিশিং ৭৫না শরুক য়াবা ঙম্লবগীদমক লৈঙাক্কী থৌরাং অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙসি ৱারী শানবা অদুদা শান্নরোয়শিং অদুদা লেপ্পা লৈতনা থৌনা লৈননবা ৱাখল্লোন ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়না থল্লিবা পান্দম অদু ফংদ্রিবা ফাওবা হোৎনবা লেপকনু হায়খি।

লৈঙাক্না পায়খৎলিবা স্পেসল ওলিম্পিক্স ভারত নেসনল হেল্থ ফেষ্টিভেল অসিনা মেদিকেল অমসুং স্পোর্টস প্রোফেসনেল ৭,৫০০দা ট্রেনিং পীদুনা ইন্টলেকচ্যুএল অমসুং দিভলপমেন্টেল দিসএবিলিটি লৈরবা এথলিটশিংবু ট্রেনিং পীবা অমদি হকশেলগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌদাংশিং অদুগীদমক অহানবা ওইনা পাঙথোকপা থৌরমনি। মসিগীদমক্তগী ট্রেনিং ফংলবা প্রোফেসনেলশিং অদুনা লৈবাক অসিগী শীন-থুংনা লৈগদৌরিবা স্পেসল ওলিম্পিক্স ভারত সেন্টর ৭৫০দা থবক পায়খৎকদৌরি।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়া জুনিয়র মেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী সেমীফাইনেলদা জর্মনিগী মখূৎতা মায়থীখ্রে






ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওরিষ্যানা য়ূম্বু ওইরগা ষ্টেট অদুগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা জুনিয়র হোক্কীগী সেমীফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া জর্মনিগী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৪দা মায়থীহৌরে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ১-০দা য়াম্না ফজবা মওংদা মায় পাকপা ঙমদুনা ঙসি সেমীফাইনেলদা জর্মনিগা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক মিনট ১৫ লোইরমদাই ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। শান্নবগী ১৫শুবা মিনট অদুদা জর্মনিগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ ইরিক ক্লেনলেননা পেনাল্টি কোর্নর অমগী খূদোংচাবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ১-০দা মাঙজিল থারগা ক্বার্টর অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা মখা তানা জর্মনিগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখিবদগী ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুবু মায়থীবা পীদুনা জর্সি নম্বর ২১ ফিলিপ হোলজম্যুলরনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মখা তানা ইন্দিয়াবু ২-০দা হেনখি। ক্বার্টর অদুমক্কী লোইরমদাই মিনট ৬ ৱাৎলিঙৌদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুগী অশোয়বগী খূদোংচাবা লৌদুনা জর্মনিগী কেপ্টেন জর্সি নম্বর ২৫ হান্স ম্যুলরনা ফিল্ড গোল অমগা চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। ক্বার্টর অদুগী মখা চথরকপা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরকপদগী ২৫শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৯ সুদিপ চির্মাকোনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা শোত্থখিবা পাঞ্জল ৩গী মনুংদা ১ হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু থংনবা মিনটতা জর্মনিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমা পেনাল্টি ষ্ট্রোক ফংবদগী টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০ খৃষ্টোফর কুটরনা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ৪-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ অমদি মেটচকী ওইনা অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মদুগী মখা তারকপা অরোইবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু জর্মনিগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না লৈখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপগী খূদোংচাবা পীখিদে। মেটচ লোইগদবা মিনট ১ ফাজিল্লক্তুরবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোবি ধামিনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা পাঞ্জল ২-৪দা ইন্দিয়া সেমীফাইনেল মেটচ অদু মায়থীখি। মখোয়না থা অসিগী ৫দা ৱর্ল্ড কপ অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগীদমক্তা অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা পেনাল্টি শুট আউটতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীখিবা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনগনি। নুমীৎ অদুমক্তদা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীরম্বা জর্মনি অমসুং অর্জেন্টিনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগনি।

# ৱিমেন্স ফুটবোলগী য়ূম্বু কেরলাবু বেমবেমনা থাগৎখ্রে

কোজিকোদ, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিনা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ ওইরিবা পদ্মশ্রী ফংখ্রবী মতম শাংনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা থৌদাং লৌরম্বী ওইনাম বেমবেমনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপীগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংনা শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরিবা হিরো নেসনল সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিবু মায় পাক্না য়ূম্বু ওইরিবা কেরলা লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি মমাং থাগী ২৮দগী হৌরগা দিসেম্বর ৯ ফাওবা চত্থগদৌরিবনি। কেরলাদা লৈবা কুথুপরম্বাগী ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়ম, কোজিকোদতা লৈবা ঈ এম এস কোর্পোরেসন ষ্টেদিয়ম, কলিকট য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল গ্রাউন্দ অমসুং কলিকট মেদিকেল কোলেজ ফুটবোল গ্রাউন্দদা টুর্নামেন্টকী মেটচশিং অসি পাঙথোক্লিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী ফুটবোলদা মণিপুরনা চাওনা দোমিনেট তৌদুনা লাক্লিবা অসি চহী য়ামশিল্লক্লবনি। মণিপুর নৎতনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মায়কৈদগী নেসনল ফুটবোল অসি ওরিষ্যা অমসুং কেরলানা ফজবা ঙম্লি। মণিপুর টিমগী হেদ কোচ ওইরিবী বেমবেমনা চহী অসিদা কেরলানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী নুপীগী ফুটবোলদা হেন্না থাক ৱাংননবা শীন-লাংলিবা অসিদা অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা কেরলা লৈঙাকপু মতম লৈবা খিবিক্তা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কেরলা ষ্টেটতগী ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী ওইবা টিম খন্ননবগীদমক্তা পাঙথোকপা নেসনল কেম্পতা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমা লাক্লি। ষ্টেট অসিদা অচৌবা পোটেন্সিএল লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হন্দক্তগী এ এফ সী ক্লব চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা এসিয়াগী ওইবা মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টতা কেরলাগী ওইবা ক্লব অমা ওইরিবা গোকুলম কেরলা এফ সী শরুক য়াবা ঙমখিবা অদুনা ষ্টেট অদুগী মায়কৈদগী ফুটবোলদা অচৌবা পাঙ্গল লৈ হায়বসি খঙবা ঙম্মী। মণিপুরনা নুপীগী ওইবা ইন্দিয়াগী নেসনল থাক্তা পাঙথোকপা টাইটল ২০ লৌবা ঙমদুনা হন্দক্কী অসিসু টাইটল লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজব থল্লি। মখোয়না গ্রুপ এদা মেঘালয়াবু পাঞ্জল ৪-০, পুদুচেরিবু ১২-০ অমসুং দামন এন্দ দিয়ুবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রবনি। মহাক্না কোচ অমা ওইনা খ্বাইদগী টাইটল য়াম্না লৌবা ঙম্লিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগীসু টাইটল লৌগনি হায়না থাজরি।

# মাষ্টর স্বিমরশিংবু নেচর ক্যুর এন্দ যোগ হোস্পিটাল কোংবনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): কর্নাটকাগী মেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা নেসনল মাষ্টর স্বিমিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা নেচর ক্যুর এন্দ যোগ হোস্পিটাল কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইগী স্বিমর অহুম্না তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংদা পূন্না গোল্ড মেদল ৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৮ ফংদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখিবদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি অয়ূক কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা নেচর ক্যুর এন্দ যোগ হোস্পিটালদা পাঙথোকখ্রে।



ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা যোগ শান্নরোয় এম বাবু, রিটায়র্দ ইঞ্জিনিয়র পি দব্লিয়ু দি; নেচর ক্যুর এন্দ যোগ হোস্পিটাল কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইগী সেক্রেটরি ডা. কে বসন্তনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা যোগ ইন্সট্রক্টর কে সুধিরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারুবা স্বিমরশিংবু তরাম্না ওকখি।

মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা মায় পাক্লবা স্বিমরশিং অদুদি চহী ৭০-৭৪গীদা মিটর ১০০গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক, মিটর ৫-০ অমসুং মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাইদা গোল্ড অমসুং মিটর ৫০গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকতা সিলভর ফংখিবা ক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গি, চহী ৬৫দগীনা ৭৯ ফাওবগীদা মিটর ৫০ অমসুং মিটর ১০০গী বেক ষ্ট্রোকতা গোল্ড ফংখিবা এন খোমদোন, মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা গোল্ড, মিটর ৫০গী ফ্রীষ্টাইলদা সিলভর অমসুং মিটর ২০০গী বেক ষ্ট্রোকতা ব্রোঞ্জ ফংখিবা থোকচোম অরুনকুমাররনি।

# ৩শুবা ষ্টেট জুনিয়র লঙ্গারি চেম্পিয়নশিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লঙ্গারি এসোসিএসনন শীন্দুনা মণিপুর ষ্টেট লঙ্গারি এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা য়ুঠ সোসল সোসাইটি অমদি য়ুনিভর্সেল প্রোগ্রেসিভ ক্লব খুরাই থৌদাম লৈকাইগা খূৎশম্নদুনা দিসেম্বর ২৪দগী ২৬ ফাওবা ৩শুবা মণিপুর ষ্টেট জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস দব্লিয়ু খেরো মীতৈ অমসুং দব্লিয়ু থোইবা মীতৈ নীংশিং ষ্টেট লেভেল লঙ্গারি চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লঙ্গারি এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন জি জাদুমণি মীতৈনা প্রেসতা খঙহল্লকপনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসি খুরাই লম্লোংদা লৈবা লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা শরুক য়ানিংবা য়ুনিট/এসোসিএসন/ক্লব/ওর্গনাইজেসন/ ইন্সটিট্যুসনশিংনা দিসেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

# রোনাল্ডোনা করিয়রগী ৮০০লক শুবা পাঞ্জল চনখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অর্সনেলগা শান্নবদা পাঞ্জল ২ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৩-২দা থোইদুনা মহাক্কী করিয়রগী ওইবা ৮০০লক শুবা পাঞ্জল চনখ্রে।

# ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং চেন্নাইন পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

পানাজি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): গোৱা ষ্টেটনা য়ূম্বু ওইদুনা মফম অদুগী তোঙান-তোঙানবা শান্নফমশিংদা চত্থরক্লিবা হিরো আই এস এল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা চেন্নাইন এফ সী অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদু হৌরকপদগী টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্নবা হোৎনরকখি। মদুদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু আই এস এল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৭ ফংলগা মাঙজিল থারকখিবা চেন্নাইন এফ সীনা ঙসিগী মেটচ অদুগী মখা তারকপা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ০-০দা দ্রো চৎখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা বেঙ্গলুরু অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সী লোয়ননা এন ঈ অমদি এফ সী গোৱা শান্নগনি।

চেন্নাইন ফুটবোল টিম অসিনা ঙসিগী মেটচ অদু থারগা মেটচ ৩দা পোইন্ট ৭ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি। মদুগী মতুংদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা মেটচ ৩ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা মেটচ ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৬ তা অতোপ্পা ক্লব ওরিষ্যা অমসুং এ টি কে মোহন বগাননা পোইন্ট ৬/৬ ফংমিন্নদুনা মান্নবা ঙমখ্রবসু ঙসি চেন্নাইন এফ সীনা খূদোংচাবা কয়া অমা লৌবা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখ্রবসু অপূনবা পোইন্ট য়েংনরকপদা চেন্নাইননা পোইন্ট ৭ ফংলগা টেবলগী লীদর ওইরি। জমশেদপুরনা মেটচ ৩দা ১ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি। হায়দরবাদ এফ সী অমদি বেঙ্গলুরু এফ সী পোইন্ট ৪/৪ ফংদুনা ৬শুবা অমদি ৭শুবদা লৈরি।

# নাসা মায় পাকখ্রে

মোইরাং, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা এচ দিনমণি ঙাংখলম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা অহানবা লেট কে বুধি সিংহ মেমোরিয়ল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী মেটচ অমদা নাসানা আই এম সী সীবু ৫-০দা থোইখ্রে। অদুগা এস এস সী অমদি অমোফা ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

নাসাগী মায়কৈদগী আই এম সী সীগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি আর বিরহান, এস থাংঙমসন, আই অর্সন, এন লমজিংবা অমসুং ৫শুবা পাঞ্জল চনখিবা এস থাংঙমসননি। আই এম সী সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এস এস সী অমসুং অমোফা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখি। এস এস সীগী মায়কৈদগী সেমোর্জিৎ অমসুং অমোফাগী মায়কৈদগীনা এলেক্সনা পাঞ্জলশিং অদু চনখি।

# সভেন ব্রদর্স এফ সী মায় পাকখ্রে

ককচীং, দিসেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): মৈপৌ সোক্কর য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা ১৯শুবা সভেন এসাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সভেন ব্রদর্স এফ সীনা উনাপলবু ২-০দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা এ দি বোইজ অমসুং সেনাম য়ুঠ এথলেটিক ক্লব মায় পাকখ্রে।

সভেন ব্রদর্স এফ সী অমসুং উনাপল ভেটরানগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা সভেন ব্রদর্স এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ অচুংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লগা অনীশুবা হাফতা মখা তানা এটেক হেন্না চত্থরকখিবা সভেন ব্রদর্স এফ সীগী জর্সি নম্বর ১২ হেনরিনা শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ২-০দা থোইখি। টুর্নামেন্ট অসি মিনট ২৫/২৫ অনীগী ওইবা হাফ অনীদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুনা লম্বা তৌনবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এ দি বোইজনা এম এস ৱাই দি ও (বি)বু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা এ দি বোইজকী জর্সি নম্বর ৩৫ জোসুৱা রেংমাইনা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মখা তারকপা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী স্কোর তৌবা ঙমখিদবদগী এ দি বোইজনা ১-০দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মখা তাবা মেটচ অমদা সেনাম য়ুঠ এথলেটিক ক্লব অমসুং ত্রিনেম (এ) লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফকী মিনট ২৫গী মতম অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা সেনাম য়ুঠ এথলেটিককী পাওচানা পাঞ্জল চল্লগা ১-০দা থোইখি।

# অহানবা নুমীৎতা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২২১ লৌখ্রে


মুম্বাই, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দগী ক্রিকেট টিমনা শান্নবা টেষ্ট মেটচ অনীগী সেরিজগী অনীশুবা মেটচকী ঙসি অহৌবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২২১ লৌখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱালনা ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবা অদু ফাওবদা আউট ওইদনা রন ১২০ লৌদুনা লৈরি। মহাক্না রন অদু বোল ২৪৬ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ১৬ য়ৈরমখি। অতোপ্পা ওপনর সুবমান গিলসু ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লখি। মহাক্কী ইন্নিংসদা বোল ৭১ মায়োক্লবদা সিক্স ১গা ফোর ৭ য়ৈরম্লগা রন ৪৪দা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং অহুমশুবা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

মমাংগী দ্রো চৎখিবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটতা পুৱারী শেম্বা ঙমখ্রবা মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা সেঞ্চুরি লৌরগা অনীশুবা ইন্নিংসতনা হাফ সেঞ্চুরি লৌখিবা শ্রিয়াস আয়র ঙসি শুপ্নগী রন ১৮দা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী মায় পাকপা বোলর ওইখিবা স্পিনর অজাস পটেলনা মহাক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন অহুম অদুসু আউট তাহনখিবনি।

ইন্নিংস মখা চত্থরকপদা রিধিমান অমদি ময়াঙ্ক অগরৱালনা মখা তানা আউট ওইদনা ক্রিজ অদু কনবা ঙমখি। রিধিমান শাহনা ঙসিগী অহানবা ইন্নিংস অদুগী লোইশিল্লকপদা আউট ওইদনা বোল ৫৩দা রন ২৫ লৌবা ঙমখি। মদুদা মহাক্কী সিক্স ১গা ফোর ৩ লৌখি। ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী বোলর অঝর পটেলনা ঙসিগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বেটসমেন ৪ পূন্না আউট তাহনবা ঙমদুনা মেটচ অদু য়াম্না নক্নবা মওংদা লম্বা তৌনরি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 308**

GM Carlsen, Magnus (2863) - GM Aronian, Levon (2773)

Chess24 Banter Final 2020 chess24.com INT, 2020.09.26

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nf3 g6 | 3.Bf4 Bg7 |
| 4.e3 c5 | 5.c3 cxd4 | 6.cxd4 O-O |
| 7.Nc3 d6 | 8.Be2 Nc6 | 9.O-O Nh5 |
| 10.Bg5 h6 | 11.Bh4 g5 | 12.d5 gxh4 |
| 13.Nxh4 Nf6 | 14.dxc6 bxc6 | 15.Rc1 Rb8 |
| 16.b3 Qa5 | 17.Na4 c5 | 18.Qd3 Rd8 |
| 19.Rfd1 Bd7 | 20.Nf5... | |

**QUESTION :**
White to Win

**Puzzle 307 Ans. :**

37. ...Ra3 38. f6+ The white pawn attacks Black's king, which is defending square h8. Kg6 39. Bb7 h5 40. Be4+ Kh6 41. Rd8 Mating nethxg4 42.Rh8# Highstriker mate
38. f6+ Kg6 39. Bc8 h5 40.Bf5+
1-0

PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।

Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523

HL-B/7200/7/10-2/12

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION cum REVISION COURSE for

CLASS - X, XI & XII Sc. (COHSEM)

Class commencement : 6th December 2021 (Time : 3:00 pm - 7:30 pm)

Warmly Welcome HSLCE 2020 Position Holders & Received Book Grant.




Special features : ➡ Chapterwise Test Series. ➡ We provide printed probable questions and answers. ➡ Hostel for Boys &Girls. ➡ Van Service available

Form available at 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground

For more details pllz. contact #8413855751 / 9862712287

HL-P/0799/1-15/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com